ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪৭শুবা মশীং

# বরাক, মক্রু অমসুং ইরং থোং

## আর সী সী ব্রিদজ শাবা অথুবদা লোইশিল্লবদি মীয়ামগী অপেনবা ওইগনি

খুন্নাই অমা চাউখৎহনবদা খ্বাইদগী মরুওইরিবা মচাকশিংগী মনুংদা লম্বী-থোং ফহনবা হায়বসিসু অমনি। লম্বী-থোং ফনা থম্বা হায়বসিনা লৈঙাক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগা শম্নহল্লিবা নেসনল হায়ৱে-২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি মণিপুরগী লাইফ লাইননি হায়রিবনি। অদুবু লাইফ লাইননি হায়রিবা নেসনল হায়ৱে অনী অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ফীভমদি নীংথিজনা ফরে হায়বা তাঙ্কক অমত্তা য়াওখিদ্রি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখিবা চহী ৪৮ মপুং ফাখ্রবসু ষ্টেট অসিগী নেসনল হায়ৱেগী শরুকশিং নীংথিজনা শেম্বীবগী খুদম ফংদে। মমাঙথক্তা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গাড়ীশিং নীংথিনা চৎনরম্বা অদু খুৎলায় পায়বশিংনা শেনখায়-থুমখায়গী থবক লেপ্তুনা চথুরকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী অপনবা ঙাইহাক লৈতনা পীরকপদগী হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গাড়ীশিং মপুং ফানা চৎপা হৌরকখিবনি। নেসনল হায়ৱে-৩৭তা পোৎ পুবা গাড়ীশিং নীংথিনা চৎপা হৌরকপদগী হায়ৱে অসিদা লৈরিবা লম্বী-থোংগী ফীভম শেমজিনবীননবা চহী ১০ রোম অসিদা লাউদুনা লাক্লি। মমাঙথক্তা নেসনল হায়ৱে অসি শেমজিনবগী থবক বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)না পায়রমখি। অদুবু হৌজিক্তি লম্বী অসি শেমজিনবগী থবক নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) না পায়রে। নেসনল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি শেম-শাবগী থবক চথুরি হায়রগসু লম্বী অসিদা লৈরিবা মরুওইবা থোং অহুম হায়বদি বরাক, মক্রু অমদি ইরং থোংদি মতমগা চুনবা হায়বদু ওইদ্রি। বরাক অমসুং মক্রু থোং অসি আর সী সী ব্রিদজ ওইনা শাবগী থবক হৌজিক হৌজিক চথুরিবনি। লুপা ক্রোর ১০৯ চঙনা শারিবা থোং অনী অসি কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর থাদা য়ুনিয়ন রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা উরেপ-উয়ুং তমখিবনি। অদুগা কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর থাদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শরুক য়াদুনা ভুমি পূজা পাঙথোক্লগা শাবা হৌখিবনি। অদুগা ইরং থোংসু আর সী সী ব্রিদজ ওইনা শাননবা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা লুপা ক্রোর ৪৯.৩১ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। লোয়ননা থোং অসি শাননবগীদমক টেন্দরসু পাঙথোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইরং আর সী সী ব্রিদজ অসি শাননবা ঙরাং উরেপ-উয়ুংসু তমখ্রে। লোয়ননা নৌনা পানখৎখিবা ইরং বেল্লি বিদজসু শঙ্গাখ্রে।

ইরং আর সী সী ব্রিদজ শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখিবা অমদি ইরং বেল্লি ব্রিদজ শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌজিক হৌজিক শারিবা মক্রু অমসুং বরাক্কী আর সী সী ব্রিদজশিং অসি লাক্লিবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী থাগী ময়াই চল্লকপা মতমদা লোইশিন্ননবা অমদি ঙরাং উরেপ-উয়ুং তমখিবা ইরং আর সী সী ব্রিদজ অসিনা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর থা ফাওবদা লোইশিন্ননবা এন ঐচ আই দি সী এলদা হায়জখ্রে, করিগুম্বা বরাক, মক্রু অমসুং ইরং আর সী সী ব্রিদজশিং অসি শাবা লোইরবদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা থোং তেকপগী প্রোব্লেম অমুক হন্না লৈররোই অমদি হায়ৱে পরিং অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফীভমসু মশা মথন্তা ফগৎহল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। নৌনা শারিবা বরাক আর সী সী ব্রিদজ অসিগী অশাংবনা মিটর ১৫৪ নি। অদুগা মক্রু আর সী সী ব্রিদজকী অশাংবনা মিটর ১২৪নি। থোং অনী অসিগী অপাকপনা ষ্টেন্দর্দ দবল লেন ওইগদৌরিবনি। নৌনা শাগদৌরিবা ইরং আর সী সী ব্রিদজ অসিসু লেন মরি লৈগদৌরিবনি। ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি ঙাইহাক লৈতনা ফাওনহন্দবগী মরমশিংগী মনুংদা থোং অহুম অসিসু অমা ওইরিবনি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা থোংশিং অসি মতমগা চুনবা হায়বদুদি ওইদে। অদুবু করিগুম্বা আর সী সী ব্রিদজশিং অসি শাবা লোইরক্লবদি নেসনল হায়ৱে অসিদা ঙাইহাক লৈতনা ফাওনহন্দবগী মতৌ অসি কোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। লৈঙাক্লসু অথুবা মতমগী মনুংদা বরাক, মক্রু অমসুং ইরং আর সী সী ব্রিদজশিং শাবা লোইশিহল্লবদি মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেট্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দ্রগ লল্লোনবা মীওই ফাবা চৎপা পুলিসতা মীয়াম্না খূৎ থাবসিনা করি ৱাহন্থোকনো

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

হরাউবা-নুংঙাইবা ফোঙদোক্কদবা মতাংদা শাউরগা ঈরাং তৌবসিবু করি ওইনা হায়গদবনো খঙদ্রে। মী মখল য়াম্বনিনা তায়োন্নবা থৌদোক কয়াসু অদুমক থোকই। শাউগদবা মতাংদা হি-হি নোক্তুনা লাংবা মীওইসু অদুমক লৈতবা নত্তে।

মীওইববু মাঙ-তাকহনবা ঙম্বা দ্রগ ফাবা লাকপা হায়বসি হরাউনীংঙাই ওইরিবনি। ফাবা লাক্লিবসি য়াম্না ফরে, লৈকায় অসিদা দ্রগ লল্লোনবগী মকোন ওইরকপদগী নুপী-অঙাং, অহল-নহা পূম্নমক পূক্লিং লৈতানা লৈবা ঙমদ্রে অমদি লৈকায় অসিগী অঙাংশিং ফৎত্রবা দ্রগ অসি চাবগী হৈনবী লৈরক্লগনি হায়গদবনি। তশেংনা পুলিস লাক্তুনা দ্রগ লল্লোনবা মীফৎতশিং অদু ফাবগী থবক অদুদা মায়পুননা মতেং পাংলুদ্রবসু পূক্লিংদদি পুলিসকী অফবা থবকনি হায়দুনা শৌগৎফম থোকই। ঙম্লগদি লৈকায়/খুল অদুগী ক্লব, ময়াই কাবা পোৎলম থিংবা নুপা/নুপী লূপ ময়াম পূন্না পুলিসকী মতেং ফোঙনা নৎত্রগা ফোঙদনা পাংফম থোকপনি। দ্রগ হায়বসিনা মাঙহন-তাকহনবসিদি লাইনীং লম্বী খায়দে, ফুরুপ খায়দে, লায়র-ইনাকখুনবা, নহা-অহলনচিংবা অমত্তা খায়দে। অদুগা দ্রগ লল্লোনবশিং ফাওবা মাঙহন-তাকহল্লিবনি। চোম্লপ-চোম্লপ্না শেঞ্জাও য়াম্না ফংই হায়বগী ৱাখক্তনি। মদুসু মতম খরখক্কীনি। পুলিসনা ফারবা মতুংদা মখোয়না চোম্লপ্না ফংখিবা শেনফম ময়াম অদু মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা লোইনা য়াম্না লায়না শীজিন্নথোকখি। নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি মরেল অমা লেনবা ঙমদে। মদু মশামক নত্তনা মাগী নুংশিরবা নুপী-অঙাং পূম্নমক তংদু-লৈতাদবা পুন্সি মরেল অমদা হিংলকই। অমরোমদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়াম অসিদা অৱাবা কয়া পীরি। পুলিস দিপার্টমেন্টতা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইদুনা মথৌ পাঙথোকপদা অৱাবা কয়া থেংনরি।

পুলিসনা দ্রগ লল্লোনবা মী ফাবা লাকপদা লৈকায় অদুগী লৈরিবা মীয়াম্না মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা পুলিসতা খূৎ থাবা য়াওবগী ৱাথোক লমদম অসিদা তোয়না থোক্লে। থৌওং অসিদগী উবা ফংলিবদি দ্রগ লল্লোনবা মীওই/খূৎপু অদু লৈকায়গী মীয়াম অদুনা কনখৎলিবরা হায়বসিনি। তমথীরবা দ্রগ লল্লোনবা মীওইনি হায়রিবদু মরাল লৈতবা মীচম ওইবদগী পুলিসনা মরাল শীজিন্দুনা ফানবা হোৎনরে হায়বদগী লৈকায়গী মীয়াম অদুনা হৌরকপা ঈহৌনি হায়রিবরা হায়বা ৱাহং অমসু থোক্লক্তবা নত্তে। হায়রকপা য়াই লৈকায়গী মীয়াম অদুনা পুলিসনা ফাবা লাক্লিবা মীওই অদু লৈকায় অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নবনিনা দ্রগ লল্লোল্লি নৎত্রগা লল্লোন্দে হায়বদু খঙই। অমরোমদা লৈকায় অমদা লৈমিন্নরবসু মী অমনা তৌবা মী অমনা খঙবা ঙমদবা থবক কয়া লৈরি। মমা অমত্তনা হেক পোকপা মচিন-মনাওগী মরক্তসু কনানা করি তৌরি হায়বা থবক কয়া খঙবা ঙম্নদে। অদুগা লৈকায়দা লৈমিন্নবা মীয়ামদুনা করম্না মুন্না খঙবা ঙমগদৌরিবা হায়বা ৱাহং অমা থোক্লক্তবা নত্তে। শম্না দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং অসিদি অরোনবা থবক তৌবনিনা মবুক য়াম্না লুই। অদুনা মশামক্কী নুপী ফাওবদা অরোনবা থবক অদুগী মরমদা হায়দোক্তবা কয়া লৈরিবনি। মসিগী ফীভম অসিদা ইমুং তোঙান্না, য়ূম তোঙান্না লৈমিন্নরিবা লৈকায়গী মীয়াম্না পুলিসনা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইদু ফাদুনা পুখিবা য়ারোই হায়দুনা মখূৎতা মী শিবা য়াবা খূৎলায় পায়দুনা লোগী থবক তৌরিবা পুলিসতা খূৎ থাবসি চুমগদ্রা? মসিগুম্বা থৌদোক অসি লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা লৈকায়/খুলশিংদা থোকই।

লৈকায়গী মীয়াম্না মীওই অদুগী মরমদা খঙবা ঙম্বা অদুগুম্না পুলিসনসু মীওই অমগী মরমদা দ্রগ লল্লোল্লি হায়বগী ৱাফম কয়া খঙবা ঙল্লিবনি। পুলিস দিপার্টমেন্টকীদি মসিনা মথৌ অমা ওইনা তৌরিবনি। মায়কৈ কয়াদগী থৌদোক কয়াগী মরীক চুম্বা খুদম চাংদম কয়া ফংলবা মতুংদা মীওই অমবু ফানবা হোৎনরিবনি। পুলিসনি ঙম্মী মতাগুম মরাল লৈতনা পংতৌ তৌবা য়াবা নত্তে। হোয় তাইবঙ মীওইবা ওইবনা শাগৈগী মৈতাল অশিবা খরা য়াওরম্বদি মহৌশানি, মালেমগী হৌনশানি। মসি হায় হায়দুনসু পুলিসনা ফাবা লাক্লিবমখৈ লোয়নমক নমথাক্লি, মশীং য়ামদবা মতু শোনবা মীওইবু/ফুরুপ্পু নমথবগী থৌওংনি হায়দুনা খল্লগা পুলিসতা লৈকায় মীয়াম হৌদুনা খূৎ থাবা হায়বসি ৱাখল য়াম্না খন্থনীংঙাই ওইরিবনি। খাকিগী য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা লোগী ওইবা মথৌ তৌহল্লিবা পুলিসতবু নূং থাজিনবা, চৈতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা খূৎ থাবা হায়বসি অচৌবা অশোয়বা অমনি। তৌহৈদবা থবক অমনি। আই পি সীগী মখাদা কেস কয়া লৌখৎলকপা য়াবগী অয়াবা লৈরিবনি। পুলিসনা কেস কয়া লৌখৎলকপা তারবদি মীয়ামদু অৱাবা নংবা মশানা তাবনি। মদুদা পুলিসনা ফাবিরে হায়দুনা ৱারৌনীংঙাই লৈতে। মতুং-মনাও তৌবা য়াদে হায়বা খঙনবা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীবনা লমদমসিগী ওইনা কান্নগনি। মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীদ্রবদি মখোয়না তৌরিবদু চুম্মী, মখোয়দা করিসু তৌবা ঙমদে হায়বা ৱাখল অমা খল্লি। থৌওং অদু মখা চথুরক্লবা মচাক ওইরকই।

হৌজিক্তি সোসল মীদিয়া য়াম্না চাওখৎলবনিনা অরানবা থবক অমা তৌবদা য়াম্না লায়না, থুনা হেক্তা খঙবা ঙম্মী। লৈকায় অমদা দ্রগ য়োনবা মীওই অমা লৈরে হায়দুনা লান্না হায়জিল্লগা ফাবা লাকপা তারবদি মদু য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি। মসিনা মরম ওইরগা পুলিসসু লান্না করিসু তৌনীংলোই, তৌরুবা তারবসু মখোয়সু চৈরাক ফংগনি। পুলিসসু হৌজিক্তি লান্না তৌবা কিরবনি, হৌজিক্তি মালেমসি খম থেংনা চাওখৎলকপদগী। দ্রগ ফাবা লাকপদু ফারগা পুখিসনু পুলিসনা। মদুদা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংজসনু, লৈকায় মীয়াম্না ৱাবিরিবা করিগীনো হায়নীংই। দ্রগ লল্লোনবা মীওইদু ফাবা য়ারোই হায়দুনা পুলিসতা খূৎ থারুরবদি লৈকায় মীয়ামদু দ্রগ লল্লোনবা মী শৌগৎপগা পাঙ্খক ওইরে হায়না সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্ট, মণিপুর গবর্ণমেন্ট, মালেমগী মীয়াম, ইন্দিয়াগী মীয়াম অমদি মণিপুর মীয়াম্না লৌবা মশানা তাবনি। দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিংবু শৌগৎপা হায়বসি ইশা-ইশা, ইচা-ইশু, লৈবাক মীয়াম মাঙনবা শিঞ্জবগা মান্নে। ●

# লুহোং-পান্থাদি লাক্লে, কোভিদ-১৯দি হনখিদ্রি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ঙসি ফাওবদা, মৈতৈ কাঙলূপ্না নম্না তাবা লম, ইরমদম মণিপুরসিদগী কোভিদ-১৯ হায়বা মহীকসি খক হনখিবগী খুদম উবা ফংদ্রি। অদুগা হৌজিকসি, ইরমদম মণিপুরসিগী লুহোং-পান্থাসু কন্না ওইশিল্লক্লি। লমদমসিদা পাঙথোক্লরিবা লুহোংবগী থৌরম অমদা পুন্দবা য়াদবদগী পুন্নরিবা মীয়ামসিগা, লৈঙাক্লা কোরোনাভাইরস লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক থল্লিবা চৎন-কাঙলোনসিগা ওন্থোক্লা লাপ্না থৈনখ্রে। থৌদৌসিদা করি খন্নগদৌরি লৈবাক মচাশিং? ইরমদমসিগী চৎনবীসিনা লুরিবসু, মমাঙথক্তগী হৌনা লমদমসিগী লুহোংবা হায়বা থৌরমসি, মরুপ-মপাং, মরী-মতা, খঙন-চান্নবা মখৈ হুপ্তুনা পুনমিন্নরগা পাঙথোকমিন্নবা থৌদৌ অমা ওইনা অদুম্মক চথনরকই। থৌরমসিগীদমক মতম চানা অমসুং মপূং ফানা য়াওবীনবগীদমক মথৌ তাই খনবা মীওই কয়ামরুমগী মফমদা মাঙজৌননা পাউজেল-চেশিং থৌবুশিংদুনা পীনদুনা লাক্লিবনি। লমদমসিদা, কোভিদ-১৯গী অথিংবা কয়ামরুম লৈদুনসু থৌরমসি মীয়াম পূনবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্তবা ইয়ামক য়াদবগী ফীভমদি মহৌশানা অদুম্মক লৈরকই। ফীভমসিদা, কোভিদ-১৯সু হেন্না পাকথোক-শন্দোকহল্লক্তনবা অমদি মহৌশাগী চৎনবী অমা ওইরিবা লুহোং-কৈহোংবগী থৌরমসিসু অদুম্মক কায়দনা চথনবগীদমক শীন্নগদবা ফীভমসি অসুক্কী মতিক লুগনি। মায়কৈ অনীমকসিদা, লিনসু শিবা চৈশুসু তেক্তবা হায়বা থৌদৌসি মতৌ করম্না চুমহনগনি? চুমহন্নবা হোৎনবসি ৱাগনি।

মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীমক্কী ওইবা ৱাখল্লোন্দদি চৎন- কাঙলোনগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকপদা য়াম্লবদা মীওই অসুক খক্তগী হেন্না পুন্দুনা পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা অথিং-চেরোলশিং, মতম-মতমগী ওইনা থোক্তুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং, শুপ্নগী লৈঙাক্লা লেপ্পা মীশিংসি খক্তনদি লমদমসিগী চৎন-কাঙলোনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমশিং ফাগি তারকপগী মওং অমদা লমদমসিগী মীয়াম্না লৌনরি। ৱাখল্লোনসিমক্তি কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী পামজবা মথেল অমনি। অদুবু, হীরমসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী ৱা ঙাক্তগী ৱাফমসু নত্তনা, কোভিদ-১৯না ইরমদমসিদা মহুম শাদুনা লৈরিমখৈদি চহী মশীংগী ৱা লৈতনা, ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু খক ইশাগী থৌরমশিং নীংবা থুংনা পাঙথোকচবা হায়দুদি ওইথোকখিরোই। হীরমসিদা খন্নরগদি, তঙাইফদনা ঐখোয় কোভিদ-১৯গী পেরিওদ মনুংসিদদি, কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা হায়বা তাকপশিং ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবনা অচুম্বা ওইফম থোকপনি। নৈনরিবা ৱাফমসি শুপ্নগী খুন্নাইসিগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা লুহোংবগী থৌরমশিং খক্তগী ৱাফমনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, হৌজিকসি মণিপুরগী ওইনা লুহোং-পান্থা কন্না য়ৌশিল্লক্লিবা মতমনি। ইরমদমসিদা লুহোংবগী থৌরম অমদা য়ামদ্রবদা মীওই কয়া য়াম্না তঙাইফদনা পুন্নবগে? অদুগা ইরমদমসিদা পাঙথোক্লরিবা লুহোংবগী থৌরম অমদা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবগী চৎন-কাঙলোন (এস ও পি) শিং কায়না চৎনবা মীয়াম্না কয়া য়াম্না য়াওরমগদগে হায়বদু ঐখোয় খুদিংমক্লা অমুক হন্না পানরুদ্রবসু অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী লুহোং-পান্থাসিমক্তদা কোভিদ-১৯ মহীক্লা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনখৎপা মতমসু ওইরি। পূম্নমকসি য়েংলুরগা মণিপুরী ঐখোয়গী লুহোংবগী থৌরমশিংসি পাঙথোকপদা অসুক্কী মতিক চেকশিন্নীংঙাই ওইরক্লি। অদুবু, চেকশিন্নীংঙাই ওই হায়দুনসু, লুহোংলিবা নিংঙোল-পিবা অনীমক্কী মমা-মপা ওইবশিংনা মচা লুহোংবগী পোৎয়েং লৌবদা মতৌ করম্না শেলশিংদু সেনিটাইজ তৌরুগদৌরি? লুহোংগদৌরিবা নিংঙোলদুনা লুহোংবা অমদি পোৎলোয় শেৎপনচিংবা তৌবদা মাস্ক উপ্পগা তৌবসু খক য়ারোইদবা অমনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু লুহোংবগী থৌরম অমা হায়বসি মীদি শোয়দনা পুল্লদৌবনি। লুহোং-পান্থাদদি নোংমদা মীওই অমনা লুহোংবা মফম অহুম-মরিদা মথং-মথং চেন্দুনা লুহোংবা য়াওবগী থৌদৌসু অদুম্মক চৎনরকই। ৱাফমসি লমদমসিগী মীওইশিংনা তৌনদবা নত্তে। ফীভমশিংসি য়েংলগা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মনুংদা ইরমদমসিগী লুহোং-পান্থানা লাকশিল্লকপসি খন্ননীংঙাই অমদি অদুম্মক, অসুক্কী মতিক ওই।

মতমগী খোঙচৎ হায়বসি হোংবা নাই, ৱাফমসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙই। খোঙচৎসিগী মনুংদা, অৱাবা কোঙ্গায়, নুংঙাইবা কোঙ্গাই শোয়দনা য়াওফম থোকই। ৱাফমসি হন্দক্কী কোরোনাগী লাইচৎসিনসু মমুৎ তানা খঙহল্লি। মালেম পূম্বসি কোরোনাগী লায়না-লাইচৎসিনা নমদুনা অৱাবগী খোঙচৎ অমা চৎহল্লি। ৱাফমসি চেকশিন্নীংঙাই ওই। কোরোনা লায়না-লাইচৎনা মীওইবগী পুন্সিদা শুপ্নগী অৱাবা পীবদা নত্তনা, ফীভম চাহৌদ্রবশিংগী মফমদগী পুন্সি কয়ামরুম মন্তিক্লে। মালেমসিগী মীওই লিশীং-লিশীংগী মশীং থিঙমদ্রবা থৱায়শিং নমদুনা মুন্দুনা পুবিখি। থৌদৌসি কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিগী মহীক্লা মালেমসি শীন-থুংনা শন্দোক্লকপদগীনি। ইরমদমসিদদা নত্তনা, মালেম পূম্বসি ঙসিদি মীওই অনী শুনা নকশিন্ননা পূনবা খক য়াহন্দ্রি। তঙাইফদনা পুল্লগসু মাস্ক উপ্তুবগী থৌদৌদি শুকয়ামক য়ারক্ত্রি। থৌদৌসিদা, ইরমদমসিগী লুহোং-পান্থাগী ৱাফমসি কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎ শন্দোক্লবগীদমক হেন্না চুশিন্নবা থৌদৌ অমা শোয়দনা ওইরক্লোইদ্রা হায়বসি মতমসিগী অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। ফীভমসিদনি, লমদমসিগী মীয়ামসিনা মীপাইবা পোক্লিংঙাইগী মরম ওইরক্লিবসি। ৱাফম অমরোমদা হায়রগা, তঙাইফদনা লুহোংবগী থৌরমদি খরা পিকশিন্না পাঙথোক্লবসু তঙাইফদ্রবদি শোয়দনসু ঙম্নগনি হায়নীংই। তৌইগুম্বসুং, লমদমসিদা চথুরিবা মীওই কয়াগী পুন্সিগী মংফম ওইরিবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিদি ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা খক পিশিনহনবা ঙম্লক্ত্রি, পাক ঙমগনিসু থাজদ্রি। অদুম্মকপু ঙম্ননবা হোৎনদবদি তশেংনা য়াদবনি। ঙম্নবা হোৎনদবা তারবদি, শঙ্গোম মিথাইনা য়ানুংদা তুমখিবগুম ইরমদমসিগী মীপূম খুদিংমকসি কোরোনাগী মখৌনাউ মনুংদা শোয়দনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি তুমখিরোইদ্রা? ঐখোয় কোরোনাভাইরস হায়বা লায়না-লাইচৎসি লমদমসিদগী মপূং ফানা মুথৎখিনবগীদমক হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনমিন্নফম থোকই।

মথক্তা নৈনজরিবা ৱাফমশিংসি, শুপ্নগী হন্দকখক্তা নৌনা মচিন মৈ মূবা হৌগৎলক্লিবা কূমসি চহীগী লুহোং-পান্থাসিগী ৱারী খক্তদা য়ূম্ফম ওইরগনি। তশেংনা, অরুবা ৱাফম অনীনা লৈরাই অনীগী পাঙ্খক ওইরগা চেন্থরকপা ঈচেল অমগী মতৌগুম নৈনজরুবা অরুবা ৱাফম অমা ওইবনা, ঙসিগী লাকঙম-ফাঙমদ্রবা ইরমদমসিগী কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিগী মতাংদা পুশিল্লকপা, মণিপুরদা লুহোং-পান্থা ওইশিল্লকপগী তোপিকসি ওন্থোক্লদি তাইওন্নবা অমা ওইনা থোক্লবনি। অদুবু, ৱাফমসি মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিকমক ওইরিবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিগী ফীভমসিদা, তশেংনা মণিপুরগী নোংমদা মশীং খঙদনা ফাংননা পাঙথোক্লক্কদৌরিবা লুহোং-পান্থাগী লুহোংবশিংগী থৌরমশিং অসিগা কদাই ফাওবা চানদনা থোক্কদৌরিগে হায়বদু নৈনদবা য়ারক্তবা অমা ওই। ৱাফমসি পূক্নীংদা ফাওরকপনা নৈনজরুবনি। পূম্নমক্লসু খন্নবীয়ু, করিনা ফগদৌরিগে হায়বসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অতোপ্পা মীওইগীদমক্তসু হিংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হিংনবগী পুন্সি খোঙচৎতা কোভিদ-১৯না অচৌবা চৈথেং কয়া পীরবসু হিংদবদি য়াদবনা মীপুম খুদিংমক্লা মাগী-মাগী হিংনবগী ঙমজবা থবকশিং তৌদুনা হিংনরি। অদুবু লমদম অসিদা হৌজিক কোরোনাগী তমথিবা লাইচৎ অসিগী মনুংদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা থবক তৌনরবসু তৌদ্রবসু য়াবা থবক কয়া মী পুনশিন্দুনা তৌনরি। হোয়, মীওইবগী হৌনশানি নাইতোম তানা হিংবসু ঙম্নদে। অদুবু খুদোংচাবা খরগীদমক্তা মীওই খরদি অতোপ্পা মীওইশিংবু নাইতোম তাহন্নবা শিনবসু য়াওদবা নত্তে। অৱাবা মতমদা অমনা অমবু মতেং পাংনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী অফবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোলনি। সাইন্সনা ফনা য়াম্না চাওখৎলবসু মীওই অমগা-মীওই অমগগা মরিদি নোংম-নোংমগী লাপথোক্লরক্লি। মসি য়াইফ-নুংঙাইবা খুন্নাই অমগী শক্লোনদি নত্তে। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা তশেংনা হৌজিক-হৌজিক মীওইবগী ৱাখল্লোলগী ইরোন্নুংদা চেল্লিবা লিচৎ অদুসু ময়েক শেংনা মীয়ামদা উহল্লে। ফনা য়াম্না নুংশিননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নগদবনি হায়না লাউরবসু লৈকায় অমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদা য়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌরগা লৈজগে হায়বা ফাওবদা লৈকায়গী মীওইশিংনা অয়াবা পীবিদ্রি। মসিনা তাকপদি মীওইবা ঐখোয়সে কদাই ফাওবগী থাক্তা ঐখোয়গী ৱাখল্লোল লৈখা তারক্লবগে হায়বদু ময়েক শেংলে। অমনা-অমবু থাজনদ্রে, শুপ্নগী শেল অদুখক্তা ওইনা উনরে। খুন্নাই অসিদা হৌখিবা চহী খরদগী ইশাগীতা ওইবা ৱাখল্লোলগী চেন্নরিবা ৱাখল্লোল অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ইশা-ইশাগী ওইনদি মীপুম খদিংমক্লা অদুমক হিংনরি। অতোপ্পা মীওইবগীদমক্তসু খরদং ওইরবসু হিংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

কোরোনাগী ৱারবা তাল্লক অসিদসু খুদোংচাবা খরগীদমক লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মশাগী হৌরকফম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগীদমক খন্থবা তৌদনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পাক শন্না লল্লোনবগী থবক তৌরি। কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমবু লৈখা তানবগীদমক তশেংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক লল্লোনবগী থবক তৌরব্রা হায়বসু চিংনদবা ঙমদে। মরমদি মতম অমদা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং অয়াম্বনা মপান লমদগী পুশিল্লকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক্তি ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং লমদম অসিদসু পাক শন্না শুংবা হৌনরক্লে। মসিনা তাকপদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লূপখ্রসনু হায়বগী মতৌগুম্বনি। পিকখ্রবা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিগী মরক্তা অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি চেল্লবদি খুন্নাই অসি মহীক চেনবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরগনি। চীং তম হায়বা থিদনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা খুন্নাই অসিবু কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়জরি।

*অদোমগী - এফ. নিশিকান্তা, খুরাই ময়াই লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।